থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অরোনবা লান অমনা অফোংবা লান ওইরকপা

হৌজিক মণিপুরগী মীয়াম নুংঙাইবনা খম থেংলে। দিমাপুর লম্বী-জিরিবাম লম্বী থিংলম্বা/ব্লোকেদ তৌরম্বা তৌখিদ্রে, বন্দগী শাথিবা চৈথেং ফংখিদ্রে। চীংগী মীনা তম্পাক তম্না লাকপদা মায়োক্ন রম্বদু কোক্নবা, 'চীংদা চৎপা' লৈঙাক অমা থুংলবা, লৌ ৱায়রগা উবা মীশিংনা লৈবা খুঙ্গংশিংদা মীৎয়েং চঙলমদবা লৈঙাকপশিংনা 'খুঙ্গংদা দাইরেক থুংলবসিদা খুনমীশিংসু চীংমীশিংসু চপ মান্ননা হরাওবনা লুতোন শাৎখরে। ভোট কাখিবা নুমিৎতগী মথংগী মীখল মতমদুফাও মশক উজগে ফংদবা, লাইশঙনা লৈবা লাইদুনা য়ুমদা কোয়রক্কনি খল্লুবগা চপ মান্নরম্বা চীফ মিনিষ্টর, নৎত্রগা 'মিনিষ্টর দশন' ঙসিদি মঙলান ওইদ্রবা, থা খুদিংগী 'মীয়ামগী নুমিৎ' হায়দুনা চীংমী-তম্মী অনীমক্না 'সী এম'মক্না হকথেংননা উন্নদুনা মায়গা মায়গা মায়ওক্নুনা পেন্দবা ৱাকৎ তৌজনবা, নৎত্রগা, অৱাৎপা অমা নিজনবা তাঞ্জা পীরিবা, অসিগুম্বা লৈঙাক অমবু মফম কৈদা ফংগনি। অদুগীসু মথক্তা, চহী তরামঙা চূপ্না মনম লৈপাক তাদনা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ফল্লম্বা, মতম অমগী খ্বাইদই শক্তি লৈবা লৈঙাকপা অমা ওইরম্বা, ঙসিসু মনম মাঙদ্রিবা পার্টি অমগী লুচিংবদুনা চহী তরামঙাদা তৌবা ঙমখিদবা থবক্তু থা তরামঙাখক্কী মনুংদা তৌবা ঙল্লে লাউথোকখিবা লৈঙাক অদুনি ঐখোয়না ঙসি ফংজরিবা! অহানবা ওইনা এন্টি-করপসন সেল হাংখিবা, শেঞ্জা থুমজা তৌবা থিংনবা অখন্নবা থৌরাং অমা লৈপাক খঙনা পায়খৎখিবা গভর্ণমেন্ট অদুনি হৈনৌ মখোঙদা খিল্লিবা। লমদমসিগী খ্বাইদই ফবা অহুমশুবা সী এম'সু ওইখিবনি থা খরই মমাঙদা।

অসুক ফবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবা শিন্দোকউ হায়দুনা, মখোয়' পার্টি মনুংদা অকনবা লালহৌ অমা হৌরক্লে হায়বা পাউ অমা ঙসি ঙরাং, চীঙ্থাং ৱারী ওইরম্বদগী পাউচেশিংগী হেদলাইন ন্যুজ ওইরকপসিদা ঙকপনা খম থেংখি ঐহাক্তি । করিনো ঐখোয়গী মীহুৎশিংসিবু অসুক ৱাখল য়াওদবা! লৈঙাক মকোক, ২১ কাবা পার্টিদুগী মীহুৎ অমনা ওইরবসু, মরী মরী কাবা পার্টি অনীগী মীহুৎশিং, অমমম কাবা অনীগা, কোংগ্রেসতগী থৌনা ফনা চোংথোরকখিবা অমগা, ইন্দিপেন্দেন্ট অমগা লৌশিল্লগা ওন্থোক্না ৱানা শেল্লকখিবা লৈঙাক' নি। পূম্নমকপু পেলহনবা ওইথোক্তবা অমনি। লৈফম থোক্তবা লৈঙাক অসি লৈহন্নবা হোৎনবদা নম্ফু খরা হাফু খরা, লৈঙাক শেম্বই শক্তি শীজিন্নরিবী মেদাম গভর্ণরগী থৌজাল অমদি মীচংদুগা য়াওরমদ্রবা ওইথোক্লল্লোই হায়বসি খঙদুনা বি জে পি'না কথোকপগী (সেক্রিফাইসল) স্পিরিট অমগা চলাইরিবা লৈঙাকনি হায়বসি কাউফম থোক্তে মখোয়না। ওইরক্লিবা ফীভমদুদা ওপোজিসন'দা মখা তানা ফমদুনা লৈবসি, মীয়ামগী থবক তৌগদবা পোলিটিসিয়ন অমনা তৌফম থোক্তবা থবক অমনি খন্দুনা, কোংগ্রেস এম এল এ খরসু চোংথোক্লক্তুনা বি জে পি'দা য়াওরে লাউথোকখি। শোন্নপুংদা মিংখৈ শোল্লিবা শৈশকপগা পান্দম্নদুনা ওপোজিসন কাঙবুদা পালা ওইনা লেপ্পবদি কান্নবা ফংই, পালা ওইরোলাউ হায়দুনা করেম্নখিবদু নীংশিংবা কান্ননি। অদুবু ইহান হান্না, এম এল এ ওইবই ৱাশক ফাওবা লৌদ্রিঙৈ চোংথোকখিবা এম এল এ অমখক নত্তনা, লেমহৌরিবা দিফেক্টরশিং অদুবুদি কোংগ্রেস পার্টি'না তান্থোক্ত্রি। এসেমব্লিগী মীফমদসু কোংগ্রেসমেন ওইনা ফমহল্লি। মচিন্দ'তা কোংগ্রেসকী মায়োক্তা ঙাঙবনি। মতাংসিদা ৱাহং অমা থোরকই- লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীহুৎ অমনা এসেমব্লিদা ফম্বদা, কোংগ্রেস ওইনা কারে হায়দুনা রিটর্নিং ওফিসর'না সর্টিপিকেট পীখ্রবা অমনা বি জে পি (রুল্লিং পার্টি) গীদমক থারিবা ফমফমদুদা ফম্বা য়াবরা? বি জে পিগী মীহুৎনসু কোংগ্রেসকী সিট মশীং অকক্নবা থারিবশিংদুদা ফম্বা য়াফম থোক্তে। করিগুম্বা কোংগ্রেস পার্টি'না কনাগুম্বা মেম্বর অমা অনীবু কোংগ্রেসতগী তান্থোক্লে' হায়বা পাউ, এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েট'তা য়ৌহল্লবা, কনানা করি মচুনো? লৈঙাক্কী মীচঙদা কয়ানো? মায়োক্তনা কয়ানো? নহান্না নাখৈ শেংনরমগনি, চেঙ চগ্রীং য়াওরল্লোই।

অসুম্না, মচং ওইবতবু খনগৎলগা মপুগী খুয়াখাদা কৎপগুম, মচং ওইবা মখোয় তরানিথোইখক্তমক খনগৎলগা লৈঙাক থৌগল তৌহল্লকপনি। চেঙ চগ্রীং য়াওরমগনি হায়বদি কনানসু খল্লল্লোই। মচংনি খন্না খনগৎলুরগা চগেম ওইরম্বসু য়াওরল্লে। অদুননি ঙসি চরাংনরিবা। বি জে পিগী এম এল এ তরামরিনা খুৎয়েক পীদুনা মখোয়গী হায় কম্মান্দ' (মকোক থোংবা দিল্লিগী লুচিংবশিং) দা 'মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবা শিন্দোকপীরো' হায়দুনা ৱাকৎখ্রে। ঙরাংগী মরু ওইবা পাউনি। পাউচে খরদদি মশীং অসি (মিনিষ্টর অহুম য়াওরগা) তরাতরেৎনি পাউদম্মি। লেজিসলেটিব কাঙবুগী লুচিংবা খনববু, লেজিসলেচরশিংনা খন্দনা, হায় কম্মান্দ'না খনবই চৎনবী, কোংগ্রেসনা হৌদোক্লম্বদু বি জে পিদসু চৎনরক্লে। নেসনল পার্টিগী হৌনবীনি - চুম্বা তাই। মথৌনা লৈরগা মখোয় তরাতরেৎ শুর'বু, কনা কিদৌরিনো? বিরেনগী মরাল করিনো? মপুক শেংদবা সী এম'লা? মীয়াম্বুসু খঙহল্লো'না! মাবু পামদবই মরমদু, মখোয় মশেন য়ানর'দি মহাক লৌথোকপবু কয়াম লুবা থবকনো? মোদিনসু য়াগনি। মীয়াম্নসু য়াগনি। বি জে পি হায় কম্মান্দ'নসু অয়াবা অদুম পীরক্কনি।

অদুদি নৎত্র'দুনা, গভর্ণমেন্ট শেম্বা মতমদুদা লুচিংবা অনীগী মরক্তা লেজিসলেটিব টর্ম'সিগী তঙ্খায় তঙ্খায় (চহী অনী মখায়) পালি নাইনা সী এম ওইনসি হায়নখি, সী এম'খক্তা নত্তনা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর ময়ামদুসু। 'সিবু তাবা য়াবরা? হৈবা-শিংবা, তৌবা ঙম্বা কনানো মুন্না খল্লগা হাপ্নরিবনি- সী এম, নৎত্রগা, পি এম! ঐহাক কুইনা ৱাজরকপনি - ঐবু ওইহনগদবনি - পোলিটিক্স'তা মদু চন্নদে।

চিবোন-চিবোন, লৈপুং-ৱারী ওইরম্বদু - ঙসিদি অচুম্বা ওইরমদ্রে। লৈপুংনা শাবা ষণ ওইরমদ্রে, 'মো' লাউনা খোংলক্লে। উখ্রুলগী কেবিনেট মীটিং য়াওখিদবা মিনিষ্টরদগী পি দল্লিয়ু দি অমদি পাৱর লৌথোকখিবা, দিপ্যুটি সী এম জোয়কুমারদগী ফাইনান্স লৌথোকখিবা, সী এম'না পুল্লপ পায়শিনখিবা ... উংখৎনরম্বা, ফুনগৎনরম্বদু মপান থোকহল্লকপদা আর বি আই'না মতেং পাংলে।

হৌজিক্তি ওইরে অফোংবা লান। কনানা ঙমগে য়েংলসি।

লৌশিং পুক্কে

# কৌটাদা হাল্লগা য়োল্লকপা অচা-অথক পুম্নমক হকচাং শোক্লিংঙাই ওই



চাউখৎলকপগী মতুংইন্না অচা-অথক মখল অয়াম্বা কৌটাদা হাল্লগা য়োন্নরক্লে। সুপতগী হৌরগা হৈ মহী অমসুং মখল কয়াগী উহৈশিং মতম অমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগদবা কৌটাদা হাল্লগা য়োল্লকপনি। অদুবু অচা-অথক্কী পোৎলম হাল্লিবা কৌটাদা 'বাইস্পেনোল এ' বি পি এল কৌবা কেমিকেল অমা য়াওবা মরম্না ব্রেন অমদি প্রোটেষ্ট গ্লান্দদা অকায়বা থোকহল্লকপগা লোয়ননা দাইবেটিস, কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজনচিংবা লায়না কয়ামরুম ওইহল্লকপা য়াই হায়রি।

জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা মীওই অয়াম্বা বাইসফেনোল এ (বি পি এ) গী চৈথেং ফংবা হৌরক্লে। মশাগী চহী ৬ হেল্লবা মীওই ৭,৬৬৯ না চাবা-থকপগী মওং কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা রিছার্চরশিংনা ইনভাইরনমেন্টেল রিছার্চ জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, কৌটাদা হানবা অচা-অথক (কেন-ফুদ) শীজিন্নরিবমখৈ বি পি এনা হকচাংদা অকায়বা থোকহনবগী চাংসু ৱাংই। সুপ, হৈ-মহী, গুলা অমদি টিন ফিশনচিংবা কৌটাদা হাল্লগা য়োল্লকপা অচা-অথক পুম্নমক হকচাং শোক্লিংঙাই ওই হায়না ষ্টদি অদুদা শরুক য়াখিবা ষ্টেনফোর্দ প্রিভেন্সন রিছার্চ সেন্টরগী পোষ্ট দোক্টরেল রিছার্চর জেনিফর হার্টলনা ফোঙদোকখি।

কৌটাদা হাল্লগা য়োনবা অচা-অথক অমুক্তং শীজিন্নবা মতমদা হকচাং মনুংদা বি পি এ চাদা ২৪ রোম চঙখি। অনীরক নৎত্রগা মসিদগী হেন্না শীজিন্নবা তারগা চাদা ৫৪ রোম চঙখি। অচা-অথক হাল্লিবা কৌটাগী মনুং থংবা শরুক্তা বি পি এগী কুয়োম অমা পানা য়াওই। মরম অদুনা অচা-অথকশিং চারুবদা বি পি এ য়াওখিবদগী হকচাংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকই।

অমরোমদা, ষ্টেনফোর্দ য়ুনিভর্সিটি অমসুং জোন হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিনা চথখিবা অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, কৌটাদা হাল্লগা য়োল্লকপা অচা-অথকশিংদা য়াওবা বি পি এনা হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা দাইবেটিস, কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ অমসুং অতৈ অতোপ্পা হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকই। য়ু এসকী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দিএ) না পুম্নমক অসি খঙলকপদগী অঙাংশিংনা শীজিন্নবা ফিদিং বোট্টল, সিপ্পি কপ অমসুং অতৈ অঙাংগী অচা-অথক হানবা পাত্রদা য়ারিবমখৈ বি পি এ য়াওহল্লোইদবনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগুম্বা চাউখৎপগী মমি শাল্লিবা লৈবাকশিংদা থোইদোক্না থৌশানদবা তারবসু চাউখৎলবা লৈবাকশিংদদি বি পি এনা থোকহল্লকপা অমাঙবশিং খঙদোক্লবগীদমক ষ্টদি কয়া চথখ্রে। 'এন্দোক্রাইনোলোজি' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অচা-অথক হাপ্লিবা কৌটা অমসুং ঈশিং হাল্লগা য়োল্লিবা প্লাষ্টিক বোট্টলদা য়াওবা বি পি এনা ব্রেন, হার্ট অমদি প্রোটেষ্ট গ্লান্দদা অমাঙ-অতা থোকহনবগা লোয়ননা দাইবেটিস, কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজনচিংবা লায়না কয়া ওইহল্লকই। বি পি এ য়াওবা অচা-অথক চারু-থক্লুবা মীওই অদুখক্তা নত্তনা মহাক্কী চারোন-শুরোন্দসু খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ ভর্জিনিয়া স্কুল ওফ মেদিসিনদা বাইওকেমিষ্ট্রি এন্দ মোলিক্যুলর জেনেটিক্সকী প্রোফেসার ওইবা এমিলি এফ রিসমেননা হায়খি, বি পি এ য়াওবা অচা-অথক চাখিবা অঙাংশিংদা ওটিজম অমসুং এটেন্সন দিফিসিট হাইপরএক্টিভিটি দিসওর্দর (এ দি ঐচ দি) নচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম ওইহল্লকপগী খুদম ফংলে। হায়রিবা মীওই অদুগী চারোন-শুরোনদা জেনরেসন মরি ফাওবা খুদোংথিবা মায়োক্নহল্লি হায়রি।

খুদোংথিবা অসিদগী খরদং ওইরবসু ঙাকথোক্নবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি, য়ারিবমখৈ কৌটাদা হানবা অচা-অথক শীজিন্নবগী মহুৎ গ্লাস জারদা হানবা পোৎলম ওইনা শীজিন্নগদবনি, ইমুং-মনুংগী অচা-অথক হাপ্পদা প্লাষ্টিক টব শীজিন্নবগী মহুৎ গ্লাসকী পাত্র, নৎত্রগা ষ্টেনলেস ষ্টিল ওইনা শীজিন্নগদবনি, বি পি এ য়াওদবা প্লাষ্টিক্কী পাত্রনি হায়না এদভর্টিজ তৌরকপদা খক থাজবা থল্লোইদবনি, অঙাংশিংগী য়া তিন চাদুনা হোরকপা মতমদা দেন্টিষ্টশিংনা মদুবু মেনবদা শীজিন্নরিবা পোৎলম অদুদসু বি পি এ য়াওই। য়া অহোবা মেনবদা য়াওরিবা বি পি এনা অঙাং অদুগী তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। মরম অদুনা লু-নানবগী হৈনবী থমদুনা অঙাংশিংবু য়ারিবমখৈ য়া তীন চাহন্দনবা হোৎনগদবনি।

# মহৌশা, জুকো ভেল্লি

## মোমোসন থৌদাম

মমি ৱারী







